ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নাশা মুক্ত ভারত কেম্পেয়ন কম্মিটিনা শীন্দুনা প্রিভেন্সন ওফ সবষ্টেন্স অলকোহোল এব্যুজ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

লামায় ৫

জিরিবামদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মোনিটরিং কম্মিটি জিরিবামগী কনভিনর সদানন্দনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা

লামায় ১

বি জে পিগী ৱাঙ্খেই লোংজম লৈকায় ২২/১৪গী বুথ লেভেল কম্মিটিনা শীন্দুনা মিনিষ্টর ও লুখোই অমসুং মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চেয়রমেন এস অচৌববু তরাম্না ওকখিবা

লামায় ৩

সানিলৌ য়ুথ ক্লব খাঙবোক পার্ট ৱাননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জাদুমনিগা খুৎশম্নদুনা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা লম-তু শেংবা অমদি উ চারা থাবগী কেম্পেয়ন হৌদোকখিবা

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.193 | শগোলশেন, মেরাগী ২১ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, October 08, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নুপী সাইন্টিষ্ট অনীদা কেমিষ্ট্রিগী নোবল প্রাইজ পীখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী) : দি এন এ ইদিট তৌবা ঙম্বা টুল 'সীআরআইএসপিআর/সীএএস৯ জেনেটিক সিজরস' দিভলপ তৌবগীদমক নুপী সাইন্টিষ্ট অনীদা কেমিষ্ট্রিগী নোবল প্রাইজ ২০২০ পীখ্রে।

নোবল কেমিষ্ট্রি প্রাইজ পীখ্রবা নুপী সাইন্টিষ্ট অনী অদুদি য়ুনিভর্সিটি ওফ কালির্ফোনিয়াগী বাইওকেমিষ্ট জেনিফর দাউটনা অমসুং ফ্রেন্স মাইক্রোবাইওলোজিষ্ট ইমান্যুএল চারপন্টিনি। নুপী সাইন্টিষ্ট অনীদা শীংথানিংঙাই ওইরবা প্রাইজ পীখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। পুৱারীদা কেমিষ্ট্রিগী প্রাইজ ফংখিবা নুপীশিংগী মরক্তা ডা. চারপন্টি অমসুং ডা. দাউটনানা ৬শুবা অমসুং ৭শুবা নুপী ওইরে। মনা অসিদা শেল ওইনা স্বিদিস ক্রোনা মিলিয়ন ১০ (দোল্লর ১,১১০,৪০০) য়াওরি।

নুপী অমা পুখ্রিদা তাদুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কোন্থৌজম লাইরেম্বী লৈকায়দা লৈবা পুখ্রি অমদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা মীয়াই চল্লবী নুপী অমা শিরগা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং গাংমৈ গাংগিলে (৫২) কৌই। মহাক কোন্থৌজম মমাঙ কবুই খুনদা লৈবনি। মহাক ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা য়ুমদগী থোকখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। ঙসি অয়ুক কোন্থৌজম লাইরেম্বী মনাক্কী পুখ্রি অমদা নুপী অমা তাদুনা লৈরে হায়বা পাউ তাবদগী য়েংলুবদা মহাক ওইরম্বনি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী অমদি ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিটকী কাঙবু লাক্লুনা অশিবা হকচাং অদু কুপ্না য়েংশিনখি। মহাক্কী মশাদা থোইদোক্লা শোক-পনবসু উদে হায়রি। অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: Maheiroi singgi school fee chada 30 lounanaba amadi ojasinggi tolop chada 50 pigadabani haina leingakna order thokkhibasi yaningbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Education Ministerna Education (S) ki directorate ta complain box ama thamlagani hairiba ashi leingakki afaba thousilni haina loubra ?

Yes 44% No 56%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.০৯ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৩৬ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০১.০১ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১১

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- লৈবাক্কী মপী মপা অমা ওইনা অশোল অনাগী সেবা তৌবা হৌজরে ঙসিদগী।



- ঐখোয় সারনা নৈখায়রে।

নাগা পিছ একোর্দকী *দ্রাফ্‌ট* ফাইনেলাইজ তৌখ্রে

'এন এস সী এন-আই এমগা মখা তানা ৱারী শাররোই, খুৎয়েক পীবা পীদবা মখোয়গী ৱাফমনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাগালেন্দগী তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা নাগা পিছ একোর্দ সাইন তৌননবা দ্রাফ্‌ট এগ্রিমেন্ট ফাইনেলাইজ তৌখ্রে। অদুবু করম্বা মতমদা এগ্রিমেন্ট অসি খুৎয়েক পীনগদগে হায়বদুদি চপ চানা লেপথোকপা লৈত্রি হায়না মীদিয়াগী তোঙান-তোঙানবা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা ছোর্সশিং পল্লদুনা ফোঙনরকখিবা রিপোর্টশিং অদুনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু এন এস সী এন-আই এমগা মখা তানা ৱারী শাররোই, এগ্রিমেন্ট অসিদা খুৎয়েক পীবা পীদবা হায়বসি মখোয়গী ৱাফমনি হায়না ময়েক শেংনা থমখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এন এস সী এন-আই এমগী সেক্রেটরি জেনরল টি ঐচ মুইভানা পিছ একোর্দ অসি খুৎয়েক পীনবগী অয়াবা অদু ফাইনেল ওইনা পীরকপা লৈত্রি।

পিছ একোর্দ অসি খুৎয়েক পীননবগীদমক মতম কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগালেন্দগী তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা ৱারী শানদুনা লাকখিবা অদু হৌজিক্তি লোইখ্রে। সেন্টরনসু এগ্রিমেন্ট অসি অথুবা মতমগী মনুংদা খুৎয়েক পীনবা পাম্মী। তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপ তরেৎকী অপূনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু দ্রাফ্‌ট এগ্রিমেন্ট অসি এপ্রুভ তৌখ্রে। অদুবু তোখায়বা ফ্লেগ অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী দিমান্দ অসি পীবীদ্রবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খুৎয়েক পীনগদৌরিবা এগ্রিমেন্ট অসিদা এন এস সী এন-আই এমনা শরুক য়াবগী ৱাফমদি চপ চানা লৈত্রি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু তোখায়বা ফ্লেগ অমদি কনষ্টিট্যুসনগী ৱাফম অসি ওইবা য়ারোইদবা ৱাফমনি হায়নসু ময়েক শেংনা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

সিক্যুরিটি ছোর্স পল্লদুনা রিপোর্টশিং অদুদা হায়, হৌখিবা নুমীৎ ১০নিরোম অসিদা এন এস সী এন-আই এম অমদি আই বি ওফিসরশিংগী মরক্তা মীফম পাঙথোক্লুনা ৱারী শানখিবা লৈতে। মমাঙদা আই বি ওফিসরশিংগা ৱারী শানখিবা মতমদা তোখায়বা ফ্লেগ অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী ৱাফম অসি রিজেক্ট তৌখিবা লৈখ্রে হায়নসু পল্লি।

মণিপুর লৈঙাক্না তুমীন্না লৈথোকফম থোক্তে : কোকোমি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : নাগা একোর্দকী ফাইনেল দ্রাফ্‌ট এগ্রিমেন্ট লোইরে হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোক্লব্বা ফাওবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ঙসি ফাওবদা ৱাফম অমত্তা মণিপুর মীয়ামদা হোদোরক্লিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্লসু তুমীন্না লৈথোকফম থোক্তে হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)না ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওক্টোবর ৬তা ইন্দিয়াদা ফোঙবা তোঙান-তোঙানবা পাউচেশিংদা নাগা একোর্দকী ফাইনেল দ্রাফ্‌ট এগ্রিমেন্ট নুমীৎ ১০ নিগী মমাঙদা লোইখ্রে হায়না পাউ ফোঙলক্লব্বা ফাওবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঙসি ফাওবা মণিপুর মীয়ামদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা হোদোরক্তব্বা অসি অফবা নত্তে। মসিদি ইন্দিয়াগী থাজবা মাঙহনবা অমদি শুপ্নম লৈঙাক্কী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

অনী লৈখিদ্রে, লৈখিদবা মশিং ৮০ য়ৌশিনখ্রে

কেস ২৪৯ নৌনা থেংনরে, ১২২ দিসচার্জ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অনী লৈখিদ্রে, লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা লৈখিদবা মশিং ৮০ য়ৌশিনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রূমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনিমস হোস্পিটালদা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা ইম্ফাল ইষ্টতগী নুপা অমগা মশাগী চহী ৪০ শুরবা থৌবালদগী নুপা অমগা পুন্না মীওই অনী লৈখিদ্রে। মীওই অনী অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশিং ৮০ শুরে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৪৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৬ পুন্না মীওই ২৪৯ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মীওই ১২২ না লায়না-লাইচৎ অসি নারম্ম্বদগী ফ্তাৎলক্লুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৫৫, জেনিমসতা ৮৬, চূড়াচান্দপুরদা ২৪, উখ্রুলদা ৪, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১৪, সেনাপতিদা ২, থৌবালদা ১, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৬, শিজ হোস্পিটালদা ১, সী এম সীদা ১, নোনেদা ৫, ইম্ফাল ইষ্টতা ৭, বিষ্ণুপুরদা ১৫, হিলসাইদ হোস্পিটালদা ৫, লিট্টল ক্লিনিক্তা ১, আর দি ৱিংদা ৩, তমেংলোংদা ১০, এদভান্স হোস্পিটালদা ৩ অমসুং এসিয়ন হোস্পিটালদা ২ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৮৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৮৮, থৌবালদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ১৭, চান্দেলদগী ১, সেনাপতিদগী ২, চূড়াচান্দপুরদগী ২৬, উখ্রুলদগী ৪, তমেংলোংদগী ১০ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী ৫নি। মণিপুরগী মপান্দগী হল্লকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৯ নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অতোপ্পা মীওই ২৩৪ দি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবা কেস ২৪৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

এম পি পিগী ওফিস হাংদোকহনবীয়ু হায়বা কেস হায়কোর্টনা ক্লোজ তৌশিনখ্রে

কেসসিদা পার্টি ওইনা য়াওজগে হায়বা এমসী কেস ২না অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুং মনিংদা লৈরিবা মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী ওফিসপু সিটি পুলিস ষ্টেসনন্না ছো লোনশিন্দুনা থম্লে হায়দুনা মসিবু হাংদোকহনবীয়ু হায়দুনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা সিভিল রিট পিটিসন অমা ইনফ্রকজুঅস ওইরে হায়দুনা ক্লোজ তৌশিনখিবগা লোয়ননা পিটিসন অসিদা পার্টি অমমম ওইনা য়াওজগে হায়জরকখিবা মিসেলিনস কেস অনীগীনা অয়াবা পীখ্রে।

ছো লোনশিন্দুনা থম্লিবা এম পি পিগী ওফিসপু হাংদোকহনবীয়ু হায়দুনা ৱাকৎলকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অসিগী নম্বর- ৩১১ ওফ ২০২০ নি। পিটিসন অসি ওইনাম জুগিন্দ্রো (৭০), অপোকপা লৈখিদ্রবা ও জুগেশ্বোরনা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টনি হায়দুনা পিটিসনর ওইরগা ফাইল তৌরকখিবনি।

সিভিল রিট পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, স্পেসল সেক্রেটরি/কম্মিস্নার (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুর, এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) নি।

পিটিসনরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা দি জি পি, মণিপুরদা এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং সিটি পি এসকী ও সীদা ছো লোনশিন্দুনা থম্লক্লিবা এম পি পিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিস হাংদোকহন্নবা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়বসিনি। লোয়ননা পিটিসনরনা এম পি পিগী ওফিসকী ছো হাংদোকহন্নবগীদমক রেস্পোন্দেন্টশিং অসিদা জুন ৬, ২০২০ দা পীশিনখিবা রিপ্রজেন্টেসন অদু দিস্পোজ তৌহনবীয়ু হায়বসিনি।

পিটিসন অসি ঙসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা কোর্টতা থা অসিগী ৫ দা এদিসনল এফিদেবিট ওইনা ফাইল তৌখিবা এন্নেকচর- এ/৮ (তাং ১৫/০৯/২০২০) অদু পুথোরকখি। এদিসনল এফিদেবিট অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মীয়াম্না টেষ্টিং কিটকী অৱাৎপা লৈরে হায়না মীপায়বা তৌবীগনু, আর এ টি কিট ৪০,০০০ য়ৌরক্লে : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং কিটকী অৱাৎপা লৈরে হায়না মীপায়বা তৌবীগনু, রেপিদ এন্টিজেন টেষ্ট (আর এ টি) কিট ৪০,০০০ ঙসি ইম্ফালদা য়ৌরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংনবদা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিং, ভলন্টিয়রশিং, কম্ম্যুনিটি ওর্গনাইজেসনশিং, লোকল লিদরশিং অমদি পুলিসশিংনা কত্থোকপা অমগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্স অমদি আই সী এম আরনা পীবা গাইদলাইনশিং অমদি এস ও পিশিং ঙাক্না ষ্টেট লৈঙাক্না থবক তৌরি। মীয়াম্নসু মতম-মতমগী ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পীরিবা গাইদলাইনশিংদা অহোংবা লৈ হায়বসি খঙমিন্নসি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অনলোক্কী প্রোসেস হৌরকখিবদগী মীয়াম্না মহৌশাগী থবক থৌরমশিংদা অমুক হঞ্জিল্লক্লি। ফীভম অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খরমখে হেনগৎলকপদি য়াই। ষ্টেট লৈঙাক্না লাইচৎ অসিবু থেংননবা হৌখিবা থা খরা অসিদা কন্না হোৎনখিবা অদুনা পোজিটিভ ওইবা অমদি শিহনবগী চাংসু নেম্লি। ফগৎলকপগী চাংসু পেন্নিংঙাই ওইবা থাক্তা লৈরি।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম অমদি লৈঙাক্না পুন্না হোৎনমিন্নবা অসিনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ রেট অসি চাদা ৪.৭৭ খক ওইহনবগা লোয়ননা নেসনল এভরেজদগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরি। লৈখিদবা য়াওরকপা অসিগীদমক্তদি লৈঙাক্না নুংঙাইতবা পোকই। অদুমকপু ষ্টেট অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শিবগী চাং অসি চাদা ০.৬৪ খক ওইদুনা নেসনল এভরেজগা য়েংনরুবদা চাং য়াম্না নেম্লি। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী চাংনা নেসনল এভরেজদগী মণিপুরনা হেল্লি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্ননবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা ষ্টেট লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর ৬০ হেন্না চাদিং তৌখ্রে। চাদিং তৌখ্রিবা শেনফমশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বদি কোভিদ টেষ্টিং তৌবা, ক্বারন্টিন সেন্টরশিং হাংদোকপা অমদি চলাইবা, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং চলাইবা অমদি মপান্দগী হল্লকপশিংগীদমক শীজিন্নখিবনা অয়াম্বনি। রিছোর্স মরাং কায়না লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরবসু ষ্টেট লৈঙাক্না লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা অহোবা লৈহন্দনবা হোৎনরি।

ডোক্তরশিং অমদি এক্সপর্টশিংনসু নুমীৎ ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

এম এল এ জয়কিষনগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসনগী দোক্যুমেন্টশিং চ্যেক তৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৯-থাংমৈবন্দ এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনগী মায়োক্তঃ ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগা মরী লৈননা দোক্যুমেন্টশিং হয়েং হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রিদা চ্যেক তৌরগনি হায়রি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর- ৮ ওফ ২০১৭ নি। পিটিসন অসি জোতিন ৱাইখোমনা পিটিসনর ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : জিরিবামগী উচাথোলদা লৈরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অৱাৎ-অপাশিং মেনশিন্ননবা কয়ারক হন্না হায়জরবসু লৈঙাক্না থওইবীদে হায়বগী পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুম্বদা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও)গী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মোনিটরিং কম্মিটি জিরিবামগী কনভিনর এন সদানন্দনা হায়খি, মতম কয়াগী মমাঙদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ৱাৎতুনা লৈরিবা ডোক্তরশিং, ষ্টাফশিং অমদি খুৎশু-খুৎলায় মশিং শুনা থম্বীয়ু হায়দুনা লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না হায়জদুনা লাকপনি। অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিং অসি লৈঙাক্না তাবীদবা অসিদা পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ওক্টোবর ৭ অমসুং ৮গী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুংদগী পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবনি।

জিরিবামগী মীয়াম অমদি সী এস ওশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনবীয়ু হায়দুনা লাক্লবসু জিরিবামবু অতোপ্পা অমগুম খনবীদুনা লৈরে। জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ট্রান্সফর তৌরকপদা ঙাইরিবা ডোক্তর ফাওবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমুক থাদোকখিবা, ডোক্তরশিংগী অৱাৎপা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা অমুক থাদোকখিবগী থৌওং কয়া অসি ঙসি ফাওবা খাংদুনা লাকখিবনি। অদুবু খাংবা ঙম্লত্তবদগী তঙাইফদনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি। লৈঙাক্না মসি ফাওবদা করিগুম্বা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্তব্রবদি পুং ৪৮গী মতুংদা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরগনি। জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা লম্বীদা গাড়ীশিং চৎপীগনু। অদুবু ইসেন্সিএল সর্ভিসকী ওইনদি কোমথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফেক এনকাউন্টর কেস

খুৎ থোক্লবদনি হায়দুনা হাৎখিবা সনাজিৎকী কেস সী বি আইনা ক্লোজর রিপোর্ট থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ১৬ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০০৪গী মে ৩০ অমসুং ৩১গী লোন্নবা নুমীদাংদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেঞ্জম চিরাংগী মফম অমদা খুৎ থোক্লবদনি হায়দুনা ১৯ রাজপুট বিকানরগী খুৎপু অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা ফৈরোইজম সনাজিৎ (নোংঙাদা অৱাং লৈকায়)গী কেসকী মতাংদা সী বি আইনা ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লগা কোর্টতা মসিগী ফাইনেল রিপোর্টতনা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা ফাইল তৌরক্লে।

লৈখিদ্রববু হাৎখিবা থৌদোককী মতাংদা লান্মী খুৎপু অসিগী মায়কৈদগী নাইক শুবেদার সুরেন্দর পাল (জে সী নম্বর- ৪৭৮৮৪৩-এন)না সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌরখিবনি। মহাক্কী রিপোর্টনা হায়বদা থৌদোক থোকখিবা মফমদুদা কে সী পিগী কাদর খরা মুভমেন্ট তৌরে হায়বা কনফর্ম ছোর্সতগী মফমদুদা লুমদুনা লৈবনি। অদুবু লান্মী খুৎপুসিদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী হন্দুনা খুৎ থোক্লবদা অন্দর গ্রাউন্দ অসি হাৎপনি। মঙোন্দগী কর্বাইন অমা, লাইভ রাউন্দ ৮ অমসুং এম্পটি কেস অমা রিকোভর তৌই হায়বসিনি। থৌদোকসিগী মতাংদা রিপোর্টসিগী মতুংইন্না সেকমাই পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর- ৪২(৫)২০০৪ অন্দর সেক্সন- ১২১/১২১-এ/৩০৭ আই পি সী, ১৩ য়ু এ (পি) এক্ট অমসুং আমর্স এক্টকী সেক্সন- ২৫ (১-বি) রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

অদুম ওইনমক ইভফম অমসুং ঐচ আর এনা ষ্টেটসিদা থোকখিবা এনকাউন্টরনি হায়বা কেসশিংগী মরক্তা খরা রি-ইনভেষ্টিগেসন তৌহনবীনবা সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎখিবা রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) নম্বর- ১২৯ ওফ ২০১২ তা থৌদোক অসিগীসু য়াওখিবনি। মরম অসিনা এপেক্স কোর্ট অসিনা জুলাই ১৪, ২০১৭ দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

'লম পাক চাউনা লৈজদবা মীওইশিংনা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ঙা মরাং কায়না পুথোকপা য়ারে'

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) : ঙা য়াম্না পাম্না চানরিবা লমদম অসিদা লম পাক চাউনা লৈজদবা মীওইশিংনা বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ঙা মরাং কায়না পুথোকপা য়ারে হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙ্খেই থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা লোংজম বোস মৈতৈনা পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

লোংজম বোস মৈতৈ ৱাঙ্খেই থৌনাওজম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এল মনিহার মৈতৈ অমদি লোংজম ওংবী চাওবা লৈমা অনীগী মচানুপানি। মহাক্কী মচিল-মনাও মরিগী মনুংদা মহাক্না অহলনি। মহৈগী থাক্না গ্রেজ্যুয়েট লোইরে। মহাক চহী খরগী মমাঙদা পোলট্রিগী মরী লৈনবা থবকশিং তৌদুনা লাক্লবা মতুং বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপা হৌরকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দোনেসিয়াদা বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ঙা নীংথিনা য়োকপা থেংনরকপদগী হায়রিবা শিনফম অসিদা থবক পায়গে হায়বগী ৱাখল লাকখিবনি। লিলোংদগী এম দি অরিফ খান কৌবা মীওই অমদগী মতেং লৌদুনা ইন্দোনেসিয়াদা চৎলগা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপগী ট্রেনিং তৌরুরে। ট্রেনিং অদু লোইরবা তুংদা কুমজা ২০১৭কী অরোইবা থাদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

হৌজরে হৌজরে

নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা

Manipur Cab Service হৌজরে।

মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।

Dial: 18003453838

6909967574 / 8258070746

6909608909 / 9402267525

Service starts 9:00 a.m.

Service upto 5:00 p.m.

MANPUR CAB SERVICES

Manipur Cab Services

2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.